# সু চিগী এইদ, ইলেক্তরেল ওফিসলশিং ফাজিনখ্রে, বাইদেননা অথিংবশিং এপ্রুভ তৌখ্রে



নেপিটো, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : মিলিটরিনা মফমদগী চীংথুখ্রবা ম্যান্মারগী লুচিংবী ওং সন সু চিগা নকশিন্নবা থবক তৌখিবা লুচিংবী অসিগী এইদ অমা ফাজিনখ্রে হায়না এন এল দিগী ওফিসল অমনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ৱাশিংটননা জুন্টাগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থম্নবগী থৌরাং পায়খৎলকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

ইনৌ নৌনা ফাজিনখিবা এইদ ক্যাও টিন্ট স্বে সু চিগী মখাদা লৈবা ষ্টেট কাউন্সেলর ওফিসকী মিনিষ্টর ওইরম্মী। সু চিগী য়েৎথংবা পান্থোমনি হায়না ক্যাও টিন্ট স্বে অসি সিভিলিয়ন গভর্ণমেন্ট চিংথুগদবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মিলিটরিগা ৱারী শানখ্রবা লুচিংবী অসিগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। সুচিগী নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসি ইনফোর্মেসন কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবা ক্যী তোনা ফোঙদোকখিবদা, মমাংগী গভর্ণমেন্টগা মরী লৈনবা ক্যাও টিন্ট স্বে অমসুং অতৈ মীওই মরি নুমিদাং অথেংবদা ময়ুম য়ুমদগী লৌখৎখ্রে। মখোয়দা নত্তনা হান্নগী ইলেক্তরেল কম্মিসনগী লুচিংবশিংসু ফাজিনখ্রে।

সু চিগী পার্টি এন এল দিনা চাওনা মায় পাকখিবা হৌখিবা নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা মীখলদা নমথাক্কী থৌওংশিং পাক শন্না চত্থখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মিলিটরিনা কু চত্থখিবনি। মিলিটরিগী ৱাফম অসি ইলেক্তরেল কম্মিস্না রিজেক্ট তৌখ্রবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অদুগী মতাংদা হংবদা ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংনা খুদক্তা পাউখুম পীরকখিদে। মিলিটরিনা থা অসিগী ১ দা কু চত্থখিবদগী এন এল দিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওনা ওফিসল কয়া ফাজিনখ্রে।

লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট চত্থরকপা তরুক্কি চনবা নুমিৎ শগোলশেন নুমিত্তসু লৈবাক্কী মফম কয়াদা প্রোটেষ্টরশিং পুনখি। কেপিটেল নেপিটোদা ৱার্কর চা কয়ানা সিভিল দিসওবিদিএন্স মুভমেন্ট শৌগৎলদুনা লম্বীদা পরেং লেংখি। মখোয়না সু চি শৌগৎপা প্লেকার্দশিং পায়রদুনা জুন্টাগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাওখি। প্রোটেষ্টর চা কয়ানা য়াঙ্গোনদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিগী মপান্দসু দেমোন্সত্রেসন পাঙথোকখি। মখোয়না বৈজিংবু মিলিটরি জুন্টা শৌগৎলি হায়না মরাল শীখি। প্রোটেষ্টরশিংগী ৱাফম অসি চাইনানদি য়াদ্রি। চাইনিজ অমসুং ইংলিশতা ইবা প্লেকার্দকী ৱাহৈশিংদা ম্যান্মার শৌগৎলু, দিক্টেটরশিং শৌগৎকনু হায়না ইখি। চাইনিজ এম্বেসিনা খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট পীখিদে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কুঅদুদা চেন্নবশিংদা অনৌবা অথিংবশিং থম্নবগী এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা এপ্রুভ তৌখ্রে। চয়োল অসিগী মনুংদা ৱাশিংটননা অহানবা রাউন্দগী টার্গেটশিং মশক খঙদোক্লগনি। অথিংবশিং অসিনা জেনরেলশিংবু য়ু এসতা ফাজিন্দুনা থম্লিবা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টগী দোল্লর বিল্লিয়ন অমরোম ওইগদবা ফন্দশিং শীজিন্নবা য়াহল্লোই।

# য়ু এস অমসুং চাইনা উংখৎনরিঙৈদা জো বাইদেনগা সি জিনপিংগা ফোনদা ৱারী শান্নখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবা সি জিনপিংনা অহানবা ওইনা ফোনদা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবদুদা বাইদেননা ইন্দো-পেসিফিকতা অফা অপুন্নবগী ফীভমশিং লৈহন্দবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়খি অমসুং মুক্নবা হায়বসিনা লৈবাক অনীমক্কী অফবা ওইরোই হায়খি।

বৈজিংনা কিহনবা অমদি নমফুগী থৌওং কয়া চত্থবা, হোং কোংদা অকনবা লো চৎনহন্দুনা মীফা মীপুন তৌবা, সিঞ্জিয়াং প্রোভিন্সতা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা অমসুং টাইৱান য়াওনা লমদম অদুদা নাকোয়ননা নত্রগা ফোংনা অকিবা পীবা অমদি মতিক ময়াই উৎশিন্নবা হোৎনবগী থৌওংশিং বাইদেননা য়ানিংদবা উৎখি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা বাইদেনদা মুক্নবা হায়বসি লৈবাক অনীমক্কী ওইনা অফবা নত্তে অমসুং নাকল অনীনা লান্না জজমেন্ট তৌবা তোক্নবগী লম্বী নৌনা থিমিন্নবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম থমখি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অনীনা ৱারী শান্নখিবদু বৈজিংগী মতমদা শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তনি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতনা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদনি।

হোং কোং, সিঞ্জিয়াং অমসুং টাইৱানগী মতাংদা চাইনিজ লিদর অসিনা খরা কল্লপ্পা ৱাফম থম্লদুনা বাইদেনদা মখোয় চাইনাগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফমনি হায়খি। লোয়ননা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চেকশিন্না চৎলক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।



দিমোক্রেসি চৎপা টাইৱানগী গভর্ণমেন্টনা বাইদেনবু চাইনানা ক্লেম তৌরিবা ঈথৎ অসিগী মনাক্তা চাইনিজ মিলিটরি হঞ্জিন হঞ্জিন্না দ্রিল পাঙথোকপগী মতাংদা নুংনাংবা উৎখিবগীদমক্তা থাগৎখি।

টেলিফোনদা ৱারী শানরিবদু চাইনিজ লিদর অসিনা হৌখিবা চহীগী মার্চতা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা ৱারী শান্নখিবা মতুংদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অমগা ফোনদা ৱারী শান্নবা অহানবনি। মতমদুদগী লৈবাক অনীগী মরী খ্বাইদগী ফত্তবা থাক্তা লাকখি। মরু ওইনা ত্রম্পনা চাইনাবু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থোকহনবগী মরাল শীখি।

ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লল্লোন ইতিক্কী লাল চাইনিজ ওফিসলশিং অমসুং ফার্মশিংগী মায়োক্তা অথিংবা থম্বা অমদি সাউথ চাইনা সিদা বৈজিংবু শীংনবা য়াওনা চাইনাগী মায়োক্তা মখল মখাগী এক্সনশিং পরিং নাইনা লৌখৎখি।

চাইনাদা মখা তানা প্রেসর পীখিগনি হায়না বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি। এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা চাইনাগী মতাংদা মখল মখা কয়াগী লম্বী শীজিন্নগনি হায়বসু লৈখ্রে। য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্গননা ইরাই নুমিত্তা চাইনাগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট য়াং জিয়েচিনা ফোনদা শান্নখিবা মতুংদা ৱারী প্রসিদেন্ট অনীগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শান্নবগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

# প্রোটেষ্টরশিংদা চত্থখিবা পুলিসকী থৌওংশিং এক্সপ্লেন তৌনবা রাইটস এদভোকেটনা রশিয়াদা হায়খ্রে



মোস্কো, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : ক্রেম্লিনগী মায়োক্তা পাঙথোকপা প্রোটেষ্টশিং থুগাইনবা হোৎনবদা পুলিসনা কা হেন্না ফোর্স শীজিন্নখিবা অমদি হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনখিবগী রিপোর্টশিং এক্সপ্লেন তৌনবা য়ুরোপকী হ্যুমেন রাইটস এদভোকেট অমনা রশিয়াদা হায়খ্রে অমসুং মোস্কোদা মীয়ামগী নীংতম্না পুনবা য়াবগী রাইট নীংশিংনখ্রে।

রশিয়াদা মীয়াম্না হন্দক্তা চত্থরকখিবা প্রোটেষ্টশিং মোনিটর তৌরিবা নন-গভর্ণমেন্টেল গ্রুপ ও ভি দি-ইনফোগী মতুং ইন্না, ক্রেম্লিন ক্রিটিক নাভালনি ফারগা জেলদা থম্বগী মতাংদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ১১,০০০ হেন্না দিটেন তৌখি।

কাউন্সিল ওফ য়ুরোপকী হ্যুমেন রাইটস কম্মিস্নর দুঞ্জা মিজাটোভিসনা দিটেনিশিংগী মশীং অদু মমাংদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা য়ামখি হায়খি। মহাক্না থা অসিগী মঙাদা রশিয়াগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ব্লাদিমির কোলোকোল্টসেভতা ইখিবা লেটর অমদা জর্নেলিষ্ট দজন কয়াদা এটেক তৌবা য়াওনা পুলিসনা ফু চৈবা অমদি অতৈ কা হেনবা থৌওংশিং চত্থখিবগী রিপোর্টশিং অদু নুংনাংনিঙাই ওই হায়খি। মহাক্না হায়খি, দিটেনি কয়ানা চানবা পোৎলমশিং ৱাৎপা, ঈশিং পীদবা, মতম চানা সেনিটরি ফেসিলিটিশিং ফঙহন্দবা অমসুং কা হেন্না চীনবদগী তুমফম ফংদবনচিংবা কয়াগী মতাংদা কমপ্লেন তৌখি। মখোয়না লিগেল নত্রগা মিদিকেলগী মতেং ফংহন্দে হায়নসু কমপ্লেন তৌখি।

অসিগুম্বা ফীভম অসি কনফার্ম তৌবা তারবদি মীওইবদা চৎকদবা থৌওং নত্তে, য়াম্না হম্ববা ট্রিটমেন্টনি অদুনা খুদক্তা লেপকদবনি হায়না মিজেতোভিসনা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নখি হায়বা ৱাফম ক্রেম্লিননা য়াদবগা লোয়ননা পুলিসনা মীনুংশি য়াওদবা কা হেনবা থৌওংশিং চত্থখি হায়বসি য়েংশিল্লি তৌইগুম্বসুং প্রোটেষ্টরশিংবু তাথি তাওইনা তৌখিবগী কেসতগী রাইওট পুলিস ওফিসরশিংদা এটেক তৌখিবগী কোস মশীংনা হেনখি হায়রি। পুলিসকী চার্জ পায়রিবা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। ওপোজিসন পোলিটিসন নাভালনি পেরোল ভাইওলেসনগী মরালদা থা অসিদা জেলগী চৈরাক পীখিবনি।

# পাকনা ফ্রন্টলাইন ৱার্কর ২৭,০০০ ভেক্সিন কাপখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : পাকিষ্টান ফ্রন্টলাইন হেল্থক্যের ৱার্কর ২৭,০০০ রোম নোভেল কোরোনা ভাইরসকী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী নেস্নেল কম্মান্দ এন্দ ওপরেসন সেন্তর (এন সী ও সী) না ফোঙদোকখ্রে।

দোন ন্যুজনা এন সী ও সীগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ভেক্সিন কাপখিবা ফ্রন্টলাইন হেল্থ ৱার্করশিংদুগী মনুংদা চাদা ৭৭ দি পেন্দমিক অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা সিন্দ প্রোভিন্সকীনি। পাকিষ্টানগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদু প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা হৌদোকখিবা মতুং মথংগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ৩ দা লৈবাক শিন থুংনা চত্থবা হৌখি।

ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অদু লৈবাক অসি শিন থুংনা লিংলিবা হেল্থ ফেসিলিটি ৫৮২ গী খুথাংদা পাঙথোক্লি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা ইনফেক্সন ১,০৭২ থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা কোরোনা ভাইরস কেস মশীং ৫৫৯,০৯৩ য়ৌরে। ইনৌ নৌনা মীওই ৬২ শিখিবগা লোয়ননা লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শিহনখিবা মী মশীং ১২,১৮৫ শুরে। এক্টিভ কেস মশীং কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বরদা ৫০,০০০ হেনখিবদগী ৩০,৫১২ দা হন্থরে অমসুং লৈবাক পুম্বগী ওইনা পেসিএন্ট ২,১৬৮ হোস্পিটালাইজ তৌরি।

অমরোমদা তলপ হেনগৎলু হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লিবা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টগী ইমপ্লোয়ীশিংনা ইস্লামাবাদতা পুলিসকা খুৎ থোক্নখ্রে। মখোয়না কন্না ঙাকশেল্লিবা রেদ জোনদা চঙশিন্নবা হোৎনরুবদা পুলিসনা থিংলকপদগী মুক্নবগী ফীভম অদু লাকখিবনি।

কন্সটিট্যুসন এভিন্যু, সেক্রেটরিএট অমসুং কেবিনেট ব্লোক্কী মপান য়াওনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইস্লাম্মবাদ শিনথুংনা প্রোটেষ্ট চত্থবা হৌখি। ফেদরেল ইমপ্লোয়ীশিংনা তলপ চাদা ৪০ দিমান্দ তৌবদা গভর্ণমেন্টনা চাদা ২৪ দমক হেনগৎলকনি হায়বদগী প্রোটেষ্টকী খোঙথাং অসি লাকপনি।

# *অফ্রিকানা অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন থাদোক্কদবা লৈতে: সী দি সী*

*জোহান্নসবর্গ, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : অফ্রিকানা অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন থাদোক্কদবা লৈতে হায়না অফ্রিকান য়ুনিয়নগী দিজিজ কন্ট্রোল বোদিনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।*

*সাউথ অফ্রিকাদা ইনফেক্সন হেনগৎহল্লিবা কোরোনা ভাইরস ভেরিএন্ট অমগী মায়োক্তা ভেক্সিন অসিগী ইফিকেসি হন্থে হায়বসি ত্রাইএলগী দেটানা উৎখিবা মতুংদা বোদি অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।*

*য়ু এসনা পায়খৎপা ভেক্সিনগী থৌরাং অমগী মখাদা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংনা চহী অসিদা অষ্ট্রাজেনেকাগী দোজ মিল্লিয়ন ১০০ হেন্না ফঙগদবনি। অফ্রিকা সী দি সী দিরেক্টর জোন কেনগাসোংনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।*

*হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা ইহান হানবা ওইনা সাউথ অফ্রিকাদা থেংনখিবা হেন্না লৌনগনবা ভেরিএন্ট ৫০১ ৱাই.ভি২ গী মায়োক্তা শীজিন্নবদা ভেক্সিন অদু করম তৌবগে হায়বদু চপ চানা খঙনবগীদমক্তা মখা তানা য়েংশিনবা চঙই।*

*সাউথ অফ্রিকানা হেল্থ ৱার্করশিংদা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেকিসন কাপ্পা লেপখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ভেক্সিন অসিগী দোজশিং য়োনবা নত্রগা অতৈগা এক্সচেঞ্জ তৌনবা য়াই হায়খিবনি।*

*কেনগাসোংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সাউথ অফ্রিকা নত্তবা অফ্রিকাগী অতোপ্পা লৈবাক তরুক্তসু ভেরিএন্ট অসি থেংনরে। হেল্থ এক্সপার্টশিংনা কিরিবদি ভেরিএন্ট অসিনা মমাংদা কোরোনা ভাইরস নত্রগা ভেক্সিনশিংদা এক্সপোজ তৌবদগী লাকপা ইম্যুন রেসপোন্সতগী থৈদোকপা ঙম্বা অসিনি।*

*হেন্না লৌনগনবা ভেরিএন্ট অসি থেংনরিবা অফ্রিকাগী অতোপ্পা লৈবাক তরুক অদুদি বোটস্বানা, কোমোরোস, খানা, কেনিয়া, মোজম্বিক অমসুং জ ম্বিয়ানি। অনৌবা ভেরিএন্ট ৫০৪ ৱাই.ভি২ গী কেসশিং থেংনবদা লৈবাকশিংগী ওইনদি অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন শীজিন্নদুনা ভেক্সিনেস কেম্পেইন চত্থনবা ঐখোয়না রিকমেন্ট তৌরি হায়না কেনগাসোংনা ফোঙদোকখি।*

*চৈরকসিদা কেনিয়ানা অষ্টাজেনেকাগী ভেক্সিন শীজিন্নদুনা ইনোক্যুলেসন হৌরগনি হায়খ্রে।*

# ইস্লামিক ষ্টেটনা মালেমগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অমুক হন্না অকিবা পীরে: য়ু এন



ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : ইরাক অমসুং সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মায়থিবা নংখ্রবসু টেরর গ্রুপ অসিনা মালেমগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অমুক হন্না অকিবা পীবা হেনগৎলক্লে হায়না য়ু এনগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু এন কাউন্টর-টেররিজম চীফ ব্লাদিমির ভোরোনকোভনা হায়খি মদুদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না ঐখোয়দা তৌদবা য়াদবা কয়া মায়োক্নহল্লবসু মেম্বর ষ্টেটশিংনা টেররিজম মায়থিবা পীনবা অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

ইস্লামিক ষ্টেটনা অতম্ননা পনখিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌনবগী লাল্লোং অমা পুথোরকপা লৈরবসু গ্রুপ অসিগী মচোই মচোই ওইনা লৈরম্বা মেম্বরশিংনা নৌহৈননা পুনশিল্লক্লি অমসুং মখোয়গী ফত্তবা থবকশিং অমুক হন্না পাঙ্গল থোক্লা পায়খৎপা হৌরক্লি হায়না ভোরোনকোভনা ফোঙদোকখি।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱা ঙাঙখিবা য়ু এন ওফিসল অসিনা টেরর গ্রুপ অসি ঙাক শেনবা ৱাৎপা অমসুং ইহো হোবা বোর্দরশিং য়াওনা মফম কয়াদা চখোক চৎশিন তৌদুনা ওপরেট তৌরক্লে হায়খি।

ৱাফম অসিগী মথক্তা পেন্দমিক অসিনা পীরিবা সোসিও-ইকনমিক চৈথেং অমসুং পোলিটিকেলগী তংতাদবা ফীভম কয়াদা মীওই কয়া লায়না ঈথিল পীদুনা হকচিনবা ৱাখল্লোন চেলহন্দুনা রিক্রুইট তৌখিবা য়াই।

গ্রুপ অসিনা কালিফেটকী ৱাখল্লোনগী মতাংদা মালেম পুম্বা মখা তানা কি হঙ্গেইনবা লৈরিঙৈদা আই এস ফাইটর ১০,০০০ রোমনা মরু ওইনা ইরাকতা লেপ্তুনা লাল হৌরি অমসুং মালেমদা তুং কোইনা অকিবা পোকহনবগী থৌওং চত্থরি। মখোয়না লৈকংলা অমসুং রুরেল এরিয়াশিংদা গ্রুপ মচা মচা শেমদুনা লৈ অমসুং লৈবাক অনীগী বোর্দর লাম্থোক লানশিন তৌদুনা এটেক কয়া চত্থরি হায়না য়ু এনগী ওফিসল অসিনা হায়খি।


**ওফিস ওফ দি**
**ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন**

**ꯑꯣꯔꯗꯔ / ORDER**

তাং ১০।০২।২০২১

No. IMC/24/RO/3-Market/2020 :- Order অসিনা মরম ওইদুনা কৈথেল অহমদা ফম্বিরিবী ইমা ইবেলশিংনা মখাদা পীরিবা Conditions / চৎনা পথাপশিং অসি ঙাক্না চৎনবা খঙহল্লরি ঃ-

(ক) ইমা কৈথেল নম্বর-১ ঃ লৈমরেল শিদবী ইমা কৈথেল

১। কৈথেল মনুংদা মখল অমত্তগী হোটেল তৌবা য়ারোই।
২। কৈথেল মনুংদা ঙা শেম্বা য়ারোই।
৩। ইশাগী পোৎফম মথক্তা থৌরি, য়োৎনচিংবা তিংদুনা পোৎ-চৈ য়ানবা অমদি থম্বা য়ারোই।
৪। ভেন্দর কার্দ / লাইসেন্সতা পীরিবা ট্রেদতুমক য়োনগদবনি।
৫। ইশা ইশাগী পোৎফমদগী পোৎ-চৈ থম্বদা অমদি পৈবদা ফিট ৩ দগী হেন্না ৱাংবা য়ারোই।
৬। চফু য়োনবীরিবা ইমা ইবেলশিংনা কা হেন্না ৱাংনা থম্বা অমদি পৈশিনবা য়ারোই।
৭। ইমা ইবেলশিংনা সেদ অনীগী কারক্তা খোঙনা চৎফমদা ঙাগী বোক্স, তরংনচিংবশিং মখল অমত্তগী পোৎ-চৈ পৈশিনবা অমদি থমজিনবদা লুপা ৫০০ ফাইন লৌগনি।

(খ) ইমা কৈথেল নম্বর-২ ঃ ইমোইনু ইমা কৈথেল

১। ইশাগী পোৎফম মথক্তা থৌরি, য়োৎনচিংবা তিংদুনা ফি, পোৎ-চৈ নচিংবা য়ানবা থম্বা অমদি পৈবা য়ারোই।
২। ভেন্দর কার্দ / লাইসেন্সতা পীরিবা ট্রেদতুমক য়োনগদবনি।
৩। ইশা ইশাগী পোৎফমদগী পোৎ-চৈ থম্বদা অমদি পৈবদা ফিট ৩ দগী হেন্না ৱাংবা য়ারোই।
৪। ইমা ইবেলশিংনা সেদ অনীগী কারক্তা খোঙনা চৎফমদা ফিগী বোক্স, তরংনচিংবশিং মখল অমত্তগী পোৎ-চৈ পৈশিনবা অমদি থমজিনবদা লুপা ৫০০ ফাইন লৌগনি।

(গ) ইমা কৈথেল নম্বর-৩ ঃ ফৌওইবী ইমা কৈথেল

১। ইশাগী পোৎফম মথক্তা থৌরি, য়োৎনচিংবা তিংদুনা ফি, পোৎ-চৈ নচিংবা য়ানবা থম্বা অমদি পৈবা য়ারোই।
২। ভেন্দর কার্দ / লাইসেন্সতা পীরিবা ট্রেদতুমক য়োনগদবনি।
৩। ইশা ইশাগী পোৎফমদগী পোৎ-চৈ থম্বদা অমদি পৈবদা ফিট ৩ দগী হেন্না ৱাংবা য়ারোই।
৪। ইমা ইবেলশিংনা সেদ অনীগী কারক্তা খোঙনা চৎফমদা ফিগী বোক্স, তরংনচিংবশিং মখল অমত্তগী পোৎ-চৈ পৈশিনবা অমদি থমজিনবদা লুপা ৫০০ ফাইন লৌগনি।

মথক্তা পীরিবা ৱারোলশিং অসি ঙাক্না চৎতবা তারবদি লাইসেন্স পায়বিরিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি অমদি লাইসেন্স ককনি।

Sd/- **K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/6789/12,13


# জেলদা থম্লিবা ফিলান্থ্রোপিষ্ট ওসমান কাভালা খুদক্তা থাদোক্নবা টর্কিদা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : কনভিক্সন পীদনা চহী অহুমলোম ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা ফিলান্থ্রোপিষ্ট অমসুং হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট ওসমান কাভালা খুদক্তা থাদোক্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টর্কিদা তকশিনখ্রে।

কাভালাগী মায়োক্তা শেমজিন শাজিনবা মরাল কয়া শীজিনবা, মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্বা অমদি মহাক্কী ৱায়েল থিন্থহন্দুনা থম্বনচিংবা পূম্নমক অসি রুল ওফ লো অমসুং দিমোক্রেসিগী ঈকায়খুম্নবা ময়েং তাহনবা থৌওংশিংনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি। ফিলান্থ্রোপিষ্ট কাভালা অসি কুমজা ২০১৩ দা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈনবা চার্জশিংগী ৱায়েলদা কোর্টনা চহী ১গী মমাংদা মরাল লৈতে হায়না লাওথোকখ্রবনি।

তৌইগুম্বসুং অনৌবা মরাল শীদুনা খুদক্তা অমুক হন্না ফাজিনখি। প্রোটেষ্টকা মরী লৈনবা চার্জশিংগী মতাংদা মহাকপু মরাল লৈতে হায়খিবা ৱারেপ অদু মতুং তাবা আপীলদা কোর্ট অমনা ককথৎখি। ইরাই নুমিত্তা টর্কিগী কোর্ট অমনা হান্নগী কেস অনী পুনশিনখি অমসুং কাভালানা থাদোকপীনবা থারকখিবা পিটিসন রিজেক্ট তৌখি। য়ু এসকী আপীল অসিগী মতাংদা টার্কিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি ৱাশিংটননা টর্কিস কোর্টশিংগী লিগেল প্রোসিদিংস ঈকায়খুম্নগদবনি। টর্কি অসি লোগী ষ্টেট অমনি। লিগেল প্রোসিদিংসকী মতাংদা লৈবাক অমত্তনা নত্রগা মীওই অমত্তনা টর্কিগী কোর্টশিংদা ওর্দর পীবা য়ারোই।

টর্কিগী কোর্টশিংদা দিমান্দ কয়া তৌদুনা প্রেসর পীনবা হোৎনবা অদুগা অমরোমদা অঙ্গারানা কুমজা ২০১৬ কী মায় পাকখিদ্রবা কু শিন লাংখি হায়না মরাল শীরিবা য়ু এসতা লৈবা ক্লারিক ফেটুলা গুলেনবু ৱায়েল চত্থনবা থারকউ হায়বা য়াদবসি অমগা অমগা তায়োন্নবা অমদি প্রিন্সিপল লৈতবগী থৌওংনি।

কাভালাবু টর্কিনা য়ু এসতা বেজ তৌবা টর্কিস স্কোলার হেনরি বর্কিগা লৌতুমিন্নবগী মরাল শীখি। মীওই অনীমক কন্সটিট্যুস্নেল ওর্দর কায়হন্নবা হোৎনবগী মরাল শীখি। বর্কিগা গুলেনগী নেটৱার্ককা মরী লৈনৈ হায়না অঙ্কারানা মরাল শীখি। গুলেননা ৱাফম অসি য়াদ্রি অমদি বর্কিনসু চার্জশিং অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়খি।

# কোভিদ-১৯ গী মীশিগা মরী লৈনবা মরু ওইবা কোমোর্বিদিটিশিং খঙলে

কানবেরা, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী) : ওষ্ট্রেলিয়াগী গ্রিফিথ য়ুনিভর্সিটিদা চত্থবা অনৌবা রিসার্চ অমদা কোভিদ১৯ পেসিএন্টশিং শিহল্লিবা মশাদা হান্না য়াওজবা মরু ওইবা লায়নশিংদি কেন্সর, কুম পুরবা কিদনিগী লায়না, দাইবেটিস অমসুং হাইপরটেন্সন্নি হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে।

লৈবাক ১৪ দগী পার্টিসিপেন্ট ৩৭৫,৮৫৯ গী গ্লোবেল দাটাবেজ শিং এনালাইসিস তৌরবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রিসার্চরশিংনা কুম পুরবা কিদনিগী লায়নানা কোভিদগী মীশিগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কোমোর্বিদিটিনি হায়বসি খঙখি। হায়পরটেন্সন, ওবেসিটি অমসুং দাইবেটিজনা কোভিদ-১৯ পেসিএন্টশিংদা খ্বাইদগী হেন্না য়াওগনবা মেদিকেল কন্দিসনশিংনি হায়বসিসু রিসার্চ অদুদা খঙবা ঙমখি। ষ্টদি অদুবু লুচিংলিবা প্রোফেসর সুরেস মাহলিংগমগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯ না ব্লদ ক্লোটিংগী চাং হেনগৎহনবনা হায়পরটেন্সন অমসুং দাইবেটিজ গী পেসিএন্টশিংদা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা থ্রোম্বোটিক কমপ্লিকেসন লাকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।